পাকিস্তানগী পাইলোট ১৫ সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৮, (এজেন্সি) : পাকিস্তানগী এভিয়েসন দিভিজন্না চিংননিংঙাই ওইবা লাইসেন্সশিং পায়রম্বা পাইলোট ১৫ অমসু সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা পাইলোটশিংগী ক্রেদেন্সিএলস ভেরিফিকেসন চথ্নবদা হৌজিক ফাওবদা সস্পেন্দ তৌবা পার্ক পাইলোট মশিং পুন্না ৯৩ শুরে।

দোন ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না পাইলোট ১৫ অসি চিংননিংঙাই ওইবা লাইসেন্সশিং পায়রম্বা পাকিস্তানগী পাইলোট ২৬২গী মনুং চল্লি। বোর্দ ওফ ইক্বাইরিনা পুন্না পাইলোট ২৬২ চিংননিংঙাই ওইবা লাইসেন্সশিং পায়রম্বা থেংনরে হায়না ইরাই নুমিত্তা এভিয়েএসন দিভিজনগী স্পোক্সমেন অব্দুল সেটর খোখারনা ফোঙদোকখি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮, (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী মেথমেটিসিয়ন সী এস সেসদ্রিনা ইরাই নুমিত্তা লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট মীফম প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ৈথোকহনখ্রে

মেলবোর্ন, জুলাই ১৮ (এজেন্সি) : ওষ্ট্রেলিয়াগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট অনীদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না থাংজ নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম চয়োল খরা য়ৈথোকহনখ্রে।

কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফিভম অদু য়েংদুনা মোরিসন্না পার্লিয়ামেন্টকী স্পীকরদা ওগষ্ট ৪ দগী হৌনবা লেপখিবা চয়োল অনীগী ওইবা সেসন অমা কেন্সেল তৌনবা হায়খি। ওষ্ট্রেলিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী স্পীকর অসি মোরিসনগী লিবরেল পার্টিগী মেম্বর অমা ওইবনা অসুম্না হায়জবসি ফোর্মেলিটি অমনি হায়না লৌনৈ। ওপোজিসন লেবর পার্টিনসু প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারেপ অসি য়াখি।

লোমেকরশিং ওগষ্ট ২৪ দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা মথংগী মীফমদা পুল্লগনি। গভর্নমেন্টনা পার্লিয়ামেটরিয়নশিং অমসুং মখোয়গী ষ্টাফ অমসুং সেসন অসিগা মরী লৈনবা কম্ম্যুনিটিনা মায়োক্নরিবা রিস্ক অসি তরায়না লৌবা য়াদে অমসুং মেদিকেল ওথোরিটিশিংগী পাউতাক্তা য়ুম্ফম ওইরগা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি হায়না মোরিসন্না অইবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা কেস ৪২৮ রোকোর্দ তৌখিবা মতুংদা ভিক্তোরিয়া ষ্টেটতা অনৌবা ইনফেক্সন ২১৭ থাংজ নুমিত্তা অমুক দিটেক্ট তৌখি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা ষ্টেট ওইরিবা ন্যু সাউথ ৱেলসতনা অনৌবা কেস ১৫ থেংনখি।

ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী অনৌবা ইপোম অমা থেংননবা ৱানা হোৎনরিবনি। লায়না অসিগী লাইচৎ কনশিল্লকপগা লোয়ননা ভিক্তোরিয়া ষ্টেটকী ওথোরিটিশিংনা জুলাই ৯ দা চয়োল তরুক চুপ্পা চথগদবা পর্সিএল লোকদাউন থমখি।

ভিক্তোরিয়াগী প্রিমিয়র দেনিএল এন্দ্রুজনা ইনফেক্সন কন্ট্রোল তৌনবা মীয়ামদা তঙাইফদবা থবক্কী নত্তনা য়ুম-য়ুমদগী য়ারিবমখৈ চথোক্লন্দবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌনবা নৎত্রগা তঙাইফন্দবা পোৎলমশিংদমক লৈনবা অপিল তৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ট্রেজরর জোস ফ্রিদেনবর্গনা হৌজিক লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন দোলর বিলিয়ন ৭০গী ৱেজকী সবসিদিশিংগী মথক্তা লৈবাক শীন থুংনা মীয়ামগী থাজবদা কায়শিল্লক্লিবসি য়েংদুনা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মখা তাবা ইনকম সপোর্টশিং লাউথোক্লগনি হায়খি। হৌখিবা মার্চতসু পার্লিয়ামেন্টরি সিটিং পুম্নমক ওগষ্ট ফাওবা কেন্সেল তৌখিবনি।

কটালান মিলিয়ন ৪ য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখ্রে

বর্সেলোনা, জুলাই ১৮, (এজেন্সি) : কোরোনাভাইরস কেস হেনগৎলকপদগী মখা তানা লাইচৎ শন্দোরকপা লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা অকনব চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা কটালোনিয়ানা ইরাই নুমিত্তা বর্সেলোনাদা লৈবশিং য়াওনা মীওই মিলিয়ন ৪ রোমদা য়ুমদগী হেন্দাক্তনা লৈনবা খঙহনখ্রে। স্পেনননা থা অমরোমগী মমাংদা লৈবাকশীন-থুংনা থম্লম্বা ইমর্জেন্সি লৌথোকখিবদগী থেংনরখিবা অনৌবা ইনফেক্সনশিং লাকশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা য়ুমদগী হেন্দাক্তনা লৈনবা খঙহনখিবনি।

বর্সেলোনা সিটি অমদি অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংদা ওনলাইনগী খুথাংদা পোৎ-চৈ লৈনবা অমসুং তঙাইফদবা থবকশিং খক্তগা মরী লৈননা য়ুমদগী থোক্লবা নৎত্রগা দোক্তর উনবগুম্বা মরু ওইবশিংদমক তৌনবা খঙহনখি।

লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীরিবসি স্পেনগী অৱাং-নোংপোক লমদম অসিগী মীশিং অপুম্বগী তঙ্খায় অমরোম হেনগনি হায়রি। তঙাইফদবগী নৎত্রবদি য়ুমদগী থোক্তনবা ঐখোয়না রিকমেন্ট তৌই হায়না কটালোনিয়াগী হেল্থ চীফ অলবা বজেজনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

ইনফেক্সন অয়াম্বা মীয়াম তিনবা মফমশিংদগী থোক্লকপনা মরম ওইদুনা মী ১০ দগী হেন্না পুনবা থিংলে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। পান্দেমিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মথৌদাং খঙনা চৎনবা অপিল তৌবগা লোয়ননা মহাক্না হায়খি মদুদি, মপুং ফাবা লোকদাউন অমা চৎনহন্দনবগী খ্বাইদগী ফবা পান্বৈদি মীয়াম্না গভর্নমেন্টকী থৌরাংবু ইকাই খুম্নবনি। হৌখিবা মেদগী নুমিৎ খুদিংগী রোকোর্দ তৌবদা খ্বাইদগী ৱাংবা চাং ওইনা ইরাই নুমিত্তা স্পেনদা পুন্না অনৌবা কেস ৬২৮ দিটেক্ট তৌখি। অনৌবা কেসশিং অসিগী অয়াম্বদি কটালোনিয়া অমসুং য়ুমথংনরিবা অরাগোনদা থেংনখি। হৌজিক গভর্নমেন্টকী থৌরাংশিং অসিবু ইনবা নৎত্রগা ইন্দবা হায়বসি কটালোয়িনশিংগী অপান্বদা লৈরে।

ইন্দোনেসিয়াদা ঈচাও থোক্তুনা মীওই ৬৭ থিবা খঙখিদ্রে

জকার্তা, জুলাই ১৮ (এজেন্সি) : ইন্দোনেসিয়াগী সোলাৱেসি প্রোভিন্সতা নোংকন্না চুবদগী খঙহৌদনা থোক্লকখিবা ঈচাওদা মীওই ৬৭ থিংবা খঙদ্রে অমসুং অতৈ ১৪,০০০ হেন্না ময়ুম-মকৈ লৈহন্দ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মী থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসন চথরি। সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা রেস্ক্যু টিমশিংনা হকচাং ৩৬ লৌখৎলে।

প্রোভিন্সিএল ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, রেস্ক্যু ৱর্করশিংনা লুৱু উত্রারা দিষ্ট্রিক্টকী ঈচাওনা খ্বাইদগী শোকহল্লবা মফমশিং, মসমবা সিটি অমসুং খুঙ্গংশিং সবাং, বাইবুন্টা, কোন্টাদেন, মেরিদা মী কনবগী থবক কন্না চথরি। খুঙ্গংশিং অসি লৈখোম-লৈনাংনা মিটর ২ ৱাংনা ফুমজিনখ্রে। অশিবা হকচাং অয়াম্বা লৈখোমদগী লৌখৎখি।

লম্বীশিং অমসুং অতৈ মফম কয়াদা উশিং ফৈজিল্লন্নদগী রেস্ক্যুগী থবক্তা তপথহনখি। মফম অদুদা অচৌবা মেছিনরি ইক্বিপমেন্টসু পুশিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক্তা মতেং পাংলি। মীওই ৫০ হেন্না অশোক-অপন নংলে হায়না ইন্দোনেসিয়া নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মকোক দোনি মোনাদোনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না মীওই ১৪,৩৮৮ শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ঈচাওনা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনখিবা মোনাদোনা পানে দমিক থোক্লিবসি য়েংদুনা হেল্থ প্রোতোকোলশিং ঙাক্লনবসু ঈচাওগী অৱাবা নংলবশিংদা খঙহনখ্রে।

ইংলন্দগী কাউন্সিলশিংদা সটদাউন থম্বা ঙম্নবগী পৱার শীন্নখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৮ (এজেন্সি) : মফম কয়াদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ য়ৌশিল্লকপদা মেনেজ তৌনবা ইংলন্দগী কাউন্সিলশিংদা দুকানশিং থোঙ লোন্নবা, মীয়াম তিনগদবা থৌরমশিং কেন্সেল তৌনবা অমসুং য়ুম-কৈশিংগী মপানদা লৈরিবা পব্লিক স্পেসশিং থিংজিনবা ঙমগদবা অনৌবা পাৱরশিং শীন্নখ্রে।

কাউন্সিলশিং অসিগী অনৌবা পাৱরশিং লাউথোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না ইরাই নুমিত্তা দাউনিং ষ্ট্রিটকী প্রেস ব্রিফিংদা হায়খি মদুদি, লোকেল লাইচৎশিং থেংননবগীদমক্তা ঐখোয়না লোকেল এক্সন লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

লৈবাক্কী মফম অমদা শন্দোরক্লিবা লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক্তা অতোপ্পা মফম অমগী সিটিদা সটডাউন তৌবা হায়বসি মরম চাদে। মফম অমগী সেক্তর খুদিংমক থিংজিনগদ্রা নৎত্রগা করম-করম্না মফমশিং থিংজিনগদগে হায়বগী মতাংদা মিনিষ্টরশিংনা হেন্না ময়েক শেংবা গাইদেন্দ ফংলগনি। মীয়ামদা য়ুমদা লৈনবগী অকক্লবা থৌরাং খরসু পাউতাক্কী মওংদা ফংলগনি হায়নসু জোন্সন্না ফোঙদোকখি।

লোকেল এরিয়াশিংদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংননবা য়াম্না থুনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা ঙম্নবা লোকেল ওথোরিটিশিংদা অনৌবা পৱারশিং শীন্নরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। ইংলন্দগী কাউন্সিল লিদরশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবা লোকেল গভর্নমেন্ট এসোসিএসন (এল জি এ)না প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙথাং অদুবু তরাম্না ওকখি।

এস আর পি এফকী অহেনবা ট্রুপ্পর ৭২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্লে

গাদচিরোলি, জুলাই ১৮ (এজেন্সি) : মীপাইনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা মহারাস্ত্রগী গাদচিরোলিদা পোষ্টিং তাবা ষ্টেট রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (এস আর পি এফ)গী অহেনবা ট্রুপ্পর ৭২ থাংজ নুমিত্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা মথৌদা জোইন্ট তৌখিবা পর্সনেল ৬০০ লোমগী বট্টালিয়ন অমদা মীওই ৭২ অসি পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। মখোয় ক্বারন্টিন তৌখ্রে হায়রি।

মখোয়দা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হান্না পোজিটিভ ওইখ্রবা এস আর পি এফকী অতোপ্পা মীওই ৪২, সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্সকী জৱান ৮৭ অমসুং বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী পর্সনেল ২ থারগা হৌজিক ইনফেক্সন মশিং পুন্না ২০৩ শুরে। অতোপ্পা ট্রুপ্পর ২-৩ হন্দক্তা লায়েংবদা ফখি। মখোয় হৌজিক চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লগা মহৌশাগী মথৌদাংশিংদা হঞ্জিন্নবা শেম শারি।

মখোয়শিং অসি তোঙান-তোঙানবা দ্যুটিশিংদা ষ্টেট পুলিসপু মতেং পাংবদা নত্তনা মাওইষ্টশিংগী ইৱাং কন্ট্রোল তৌনবা ষ্টেট অসিগী ইৱাং কল্লবা দিষ্ট্রিক্ট অসি শীন-থুংনা দিপ্লোই তৌরিবা তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংদগী লৌখৎখিবা পেরা ট্রুপ্পর ১,২০০গী শরুক্নি। সী আর পি এফ অমসুং বি এস এফকী জৱানশিং ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তগী রিক্রুট তৌই।

অমরোমদা এস আর পি এফকী পর্সনেলশিংদি ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লৌবনি। মখোয় লোইনমক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা য়ৌরক্লবা মতুং চয়োল অমগী মনুংদা তঙাইফদনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোকহল্লি। পোজিটিভ ওইরবা পর্সনেল খুদিংমক আইসোলেসন তৌনবা অমসুং লায়েং চথনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা আর্মদ য়ুনিটশিংনা মতিক চানা শেম শারে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

হোটস্পোটশিংদগী লাকপা পেসেন্টশিং এদমিট তৌনবা খঙহনখ্রে

ভুবনেশ্বর, জুলাই ১৮ (এজেন্সি) : কোভিদ-১৯গী হোটস্পোটশিংদগী লাকপা পেসেন্টশিং লায়েংঙু য়াদ্রবদি অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না উরিষা গভর্নমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি অশিট ত্রিপাথিনা ফোঙদোকখিবদা হোটস্পোট দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা পেসেন্টশিং প্রাইভেট হোস্পিটাল খরনা এদমিট তৌনিংদবগী পাউ খরা তারে। অসিগুম্বা থৌওং অসি ইথিক্সকী ৱাংমদনি অমসুং ইলিগেল ওই। অসুম্না অরানবা তৌরিবশিং অসিগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা এক্সন কনগনি হায়বসি মরী লৈনবা খুদিংমক্না খঙজিনগদবনি হায়না চীফ সেক্রেটরি ত্রিপাথিনা ট্বিটরদা ফোঙদোকখি।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী অসিগুম্বা প্রেক্টিসশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পাউ পীনবা মহাক্না মীয়ামদা ১০০দা দাইল তৌনবসু পাউতাক পীখি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ কেস লেপ্পনা হেনগৎলক্লি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা উরিষাদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৫৯১ রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা মীওই অহুমসু লায়না অসিদগী শিখ্রে। শিখিবগী রিপোর্টশিং অদু গঞ্জম অমসুং গজপতি দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকখিবনি। মসিগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী পোজিটিভ কেস মশিং ১৬,০৭১ য়ৌরে। হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা ষ্টেট অসিদা শিহল্লিবা মী মশিং ৮৬ শুরে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা নোভেল কোরোনাভাইরস কেস মশিং খঙৱাং ৱাংখৎলকপদগী গভর্নমেন্টনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংপুং ৯ দগী হৌদুনা ষ্টেট শীন থুংনা নুমিৎ ১৪ নি চুপ্পা চথগদবা মপুং ফাবা লোকদাউন চৎনহনখ্রবনি।

বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট ৮দা ঈশিং ঈচাও থোক্লে

পটনা, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : বিহারগী মরু ওইবা তুরেল অয়াম্বা ঈমায় ৱাংনা চেনবগী লোয়ননা তুরেল কয়া অমা খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে। দিষ্ট্রিক্ট ৮ দা চেল্লিবা তুরেল কয়া মফম কয়াদা ঈচেল পাথোক্তুনা ব্লোক ৩০ ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়রি।

থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট ৱাটর রির্সোসেস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, বগপতি তুরেল মফম কয়াদা খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি। কল্লা বালন তুরেলসু ঝানহাপুরদা দেঞ্জর মার্ককী মথক্তা চেনবগী লোয়ননা মহনন্দ তুরেলনা পুনিয়াগী ধেঙ্গাঘাটতা খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে। এম এন আর ঈ জি এগী মখাদা শাবা অপীকপা দাম কয়া কায়বদগী অনকপদা লৈবা খুঙ্গং কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

[illegible] / নুংঙাইরবা পাউনি মীয়ামগীদমক্তা অমসুং ওজা অবদুল হকপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, শৌজ-নান্থবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খ্বাং নাবা, অহিং মপূং ফানা তূম্বা য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা অদু ওজা অবদুল হক Contact No.8794429681, 8014623756 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা অবদুল হকপু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

HL-P/7247/19 থাগৎচরিবা : **Kh. Sajou, Thouda Bhabok**



[illegible] / নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি

সুধাকর

শগোলবন্দ খন্নাম লৈরক, আই টি আইদা লৈবা নূংগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরনা বাবাগী মহুৎ শীন্দুনা লায়েংবীবদগী ঐগী য়েৎকী কিদনিদা লৈরম্বা ৪.১ এম এম চাউবা নূং অমগা ওইগী ঈশিং মরীদা লৈবা ৭.৯ এম এম চাউবা নূং অমগা পুন্না নূং অনী লৈরম্বা অদু হাপ্তা মরি লায়েংবীরবা মতুংদা অলত্রা সাউন্দ লৌদুনা অমুক য়েংথোকচবদা নূং অমত্তা লৈরমদ্রে। মসিগীদমক্তা বাবা অমসুং বাবাগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরবু পাউচেগী থোঙদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

**ফোঙদোকচরিবী : ওইনাম মেমচৌবী
নম্বোল ওইনাম**

HL-P/7344/19

@1.80 % অপীকপা শেন্দোইদা @1.80 %

সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেমগী ওইনা Corvid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানারবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দপ লৌজরি।

- সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।
- শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খঙ্কনি।
- করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপীকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

@1.80 % Only.

For details, Please contact.
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479

HL-B/6250/47-28/7

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)
NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 14th July, 2020

No.Prop/SR/IW/2020: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "United Senior Citizen Forum" on 13-07-2020 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Uripok"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies, Imphal West

HL-P/7366/19

[illegible] / নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোন্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোন্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোন্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্তৎচবা অদুগা খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোন্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-P/7203/27 june to 26 july

[illegible] / পামজৈ

স্কিল লেবর এন্দ হেলপর ফোর টায়র রিত্রিএদিং ৱর্ক্স

সে	পোষ্ট	ভেকেন্সি	এক্সপরিএন্স	সেলরি
১.	স্কিল লেবর	৫	চহী ৫দগী ১০	নেগোসিএবল
২.	হেলপর	৫	চহী ২	নেগোসিএবল

কন্টেক্ট :
এম/এম শিটোভা টায়র রিত্রিএদর এন্দ সর্ভিসেস
(ওথোরাইজ ফ্রাঙ্কাইজী ওফ এলগী রব্বর কম্পেনি লিমিটেদ)
তাকয়েল ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেট বি-৬ ফেক্টরি বিল্ডিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট - ৭৯৫০০১
মোবাইল নম্বর :- ৯৪০২৭৩৩২০৯ HL-B/6270/17,18,19,20,21,22,23

BEFORE THE NOTARY PUBLIC/OATH COMMISSIONER MANIPUR, AT KAKCHING, MANIPUR
[illegible]/AFFIDAVIT/DECLARATION

(for change/correction of wife's name of serving soldier)

I, Lalam Lhungdim W/o **WS Kokhel Anal**, army No. **JC-590443H**, Rank - N/Sub of 1st Naga Regiment and a resident of **Khambathel Village P.O. - Sugnu & P.S. Sugnu, Chandel District Manipur State, Pin No : 795101** do hereby solemnly affirm and state on oath as follows :-

a. That, I am bonafide law abiding citizen of India by birth and am a permanent resident of aforesad address. This is true to the best of my knowledge.

b. That, I have changed my name **"Lalam"** to **Lalam Lhungdim"** due to wrong registration of my name in the army family record/document of 1st Naga Regiment by my husband **"WS Kokhel Anal"**. This is true to the best of my knowledge.

c. That, the above two names **"Lalam" & "Lalam Lhungdim"** pertain to one and the same person. This is true to the best of my knowledge.

d. That, I shall at all times hereafter in all records, deed and writing and in all proceeding dealing with transaction, private as well as under all occasions whatsoever be known me as only **"Lalam Lhungdim"**. This is true to the best of my knowledge.

e. That, the date of birth, month and year as per my Aadhar Card being Card No. **4193 3540 2955** 21/01/1976 (Twenty first January Nineteen Seventy Six). This is true to the best of my knowledge.

f. That, I am producing this Affidavit as a legal piece of evidence to prove for the purpose and evidence of my name. This is true to the best of my knowledge.

g. That, now I am highly desired and required to make correction and change the above my name **"Lalam Lhungdim"** instead of **"Lalam"** in the service records of my husband by the competent authority of Record Office of 1st Naga Regiment . This is true to the best of my knowledge.

Signature of the Deponent - **Lalam Lhungdim**

VERIFICATION

I, the deponent above name do hereby solemnly declare and verify that, the contents of the above affidavit are true to the best of my knowledge and belief and nothing has been concealed suppressed there from.

Place : Kakching
Dated : 14th July, 2020 Signature of the Deponent -**Lalam Lhungdim**

HL-P/7369/19

[illegible]/অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ অকনবা হান্বা খুদিংগী অমাংথোঙ মনুংদা খেৎকায়রগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ মনুংদা চেকখায়রগা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, খোঙ হান্বা অদু অমুক য়ারক্তবা, থা মরিমুক লৈরগা অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউথোরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা চিকপা অমদি শাবা তৌরগা লৈবা, খোঙ অকনবা হান্বা খুদিংগী অমাংথোঙ মনুংদা খেৎকায়রগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অদুগা নুমিৎ মরিনি লৈরগা অমাংথোঙ ময়াদগী সেরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হামনীংলকপা মতমদা খাংজিনবা ঈ তারক্কনি খনবদা, অমাংথোঙ মপান্দা চেকখায়রগা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, খুল্লক্কী অশেম্বা হীদাক লৌরগা চাবদগী খরা চারগা মপূং ফানা ফবা ঙমদবা, অদুগী মতুংদা হান্না নাবদগী য়াম্না হেন্না কন্না নারকপদগী লৈরক খুল্লক্কী অশেম্বা হীদাক চাবা য়াদবা, অদুগী মতুংদা খোঙ হান্বা য়ারক্তবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পুকচেপ নাবা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, থা মরিমুক লৈরগা অমাংথোঙ অকোয়বদু চাউথোরকপা, য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা অমদি অহিং তূম্বা য়াদবা চিকপা নাবা অদুনা মরম ওইদুনা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/7172/19 *থাগৎচরিবী :* **R.K. Surmila Devi, Thinungei**

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-V

Ref :- Mut. Case No. 178/AS&SO-(V), 2020

1) Nongthombam Lokendro Singh S/o (L) Narahari Singh at Nongthombam of Khurai Thoudam Leikai.
2) -do- Sanjit Singh S/o (L) -do- of Khurai Thangjam Leikai.
3) -do- Nepolen Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners

-Vs-

Nongthombam Narahari Singh S/o N. Tollongou Singh of Khurai Thangjam Leikai

[illegible] / NOTICE

Dt. 17//7/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ২৫ - সোইবম লৈকায়গী পাট্টা অরিবা নং ৩৮২, অনৌবা পাট্টা নং ২৮০, দাগ নং ২৫৬, এরিয়া ০.০৮ চাউবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরশিংনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-V, Imphal

HL-P/7367/19

VIMIT
VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST

ADMISSION OPEN

FOR THE ACADEMIC SESSION 2020-2021
Affiliated to Manipur University

BBA Eligibility 10+2 BCA
(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION

Prospectus/ Form available during office hours on any working days

Please contact: 9612333542/7005847770
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com

Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal

HL-P/7330/16 to 30 july

[illegible] FREE ONLINE CLASSES [illegible]

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/3235/27/06 to 26/07